# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্নবা, প্লাষ্টিক শীজিন্নদনবা ৱাফম পুখৎখ্রে




ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা উমং কোকথোক্তনবা, ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্নবা, গ্লোবেল ৱাটর এক্সন এজেন্দা শেম্নবা অমসুং প্লাষ্টিক শীজিন্নদনবা ৱাফম পুখৎখ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসন্স কনভেন্সন টু কম্বেট দিজার্টিফিকেসন (য়ু এন সি সি দি)গী ১৪শুবা কনফরেন্স ওফ পার্টিস (সি ও পি ১৪)দা ৱা ঙাংখিবদা ৱাফম অসি পুখৎখিবনি। মীফমগী ৮শুবা নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্না অমুক্তং শীজিন্নরগা লংথোক্লরিবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম পুম্নমক মপুং ফানা থিংবা মতম ওইরে।

ইন্দিয়াগী ওইনা চহী অসিগী ওক্টোবর ২দগী প্লাষ্টিক থিংনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। অকোইবগী ঈশিং-নুংশিৎতা অকায়বা থোকহল্লোইদবা পোৎলমশিং ওইনা শেমগৎতুনা মালেমদা অইং অশাগী খল কায়হন্দনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

উট্টর প্রদেশকী গ্রেটর নোইদাদা সেপ্টেম্বর ২দগী পাঙথোক্লিবা সি ও পি সেপ্টেম্বর ১৩দা লোইশিনগদৌরি। মালেমদা অইং-অশাগী খল কায়থরকপগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, উমং কোকথোকপা অমসুং খুঙ্গংগী মফম অয়াম্বা সিটি ওইনা শেমগৎলকপা মরম্না মালেমদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লে। পুম্নমক অসিগী মথক্তা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা অমসু মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা মায়োক্নরক্লি।

য়ু এন সি সি দিনা গ্লোবেল ৱাটর এক্সন এজেন্দা শেম্বা মতম ওইরে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়াদা হৌজিক পোথোক মরাং কায়না পুথোক্তুনা লৌমীশিংগী শেম্লোক শরুক অনী হেনগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে। লৌমীশিংদা সোইল হেল্থ কার্দ পীবগা লোয়ননা লৈবাক লৈহাওগী ফিভম চপ চানা খঙদোক্লবা মতুংদা কা হেন্না ঈশিং চঙহন্দবা মওংদা পোথোক হেন্না পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলি। হৌজিক ফাওবা লৈবাক লৈহাওগী চাংয়েং তৌরবা মতুংদা সোইল হেল্থ কার্দ মিল্লিয়ন ২১৭ লৌমীশিংদা য়েন্থোকখ্রে।

কেমিকেল ফর্টিলাইজর অমদি তিলহাৎ হিদাক শীজিন্নবগী মহুৎতা বাইও ফর্টিলাইজর শীজিন্ননবা হোৎনবা রোমদা মীৎয়েং চঙবা হৌরেহায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মালেমগী মফম অয়াম্বদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরকপগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্বা অমসুং অরেম্বদা ঈশিং মাংহন্দনবগী পান্দমদা জল শক্তি মিনিষ্ট্রি লৈহন্দুনা মীপুম খুদিংমক ঈশিংগী অৱাবা লৈহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে।

প্লাষ্টিক ৱেষ্টনা থোকহল্লকপা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওংশিংগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, অমুক্তং শীজিন্নরগা লংথোকপা প্লাষ্টিক্না মফম কয়াদা চাইদুনা লৈরবা মরম্না মীওইবগী হকশেলদা অকায়বা থোকহল্লকপগী মথক্তা লৌউ-শিংউদসু অপনবা ওইহল্লে। পুম্নমক অসিগী য়েংলগা মহাত্মা গান্ধিগী ১৫০ শুবা মপোক নুমিৎ ওইরিবা ওক্টোবর ২দগী ইন্দিয়াদা মখল খরগী প্লাষ্টিক শীজিন্নবা মপুং ফানা থিংলগনি। মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদসু চপ মান্নবা থৌরাং লৌখৎহন্নিংই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ‘বিক্রম’ লেন্দর অতেক অকায় য়াওদনা থাগী লৈমায়দা তাদুনা লৈবা উরে ঃ আই এস আর ও



বেঙ্গলুরু, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী): চন্দ্রয়ান ২গী ‘বিক্রম’ লেন্দর অতেক অকায় য়াওদনা থাগী লৈমায়দা তাদুনা লৈবা উরে হায়না ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও)না ফোঙদোকখ্রে।

লেন্দরগা পাউ ফাওননবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি হায়না পল্লদুনা আই এস আর ওগী ওফিসল অমনা হায়খি, সিষ্টেম পুম্নমক মথৌ লেপখিবা মরম্না বিক্রম লেন্দরগা পাউ ফাওনবা ঙমগনি হায়বা থাজদে। সেপ্টেম্বর ৭গী অয়ুক অঙনবদা থাগী লৈমায় য়ৌগদবা শুপ্নগী কিলোমিটর ২.১ খক্তা ঙাইরবা মতমদা লেন্দরগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি।

চন্দ্রয়ান ২গী ওর্বিটরনা থারকপা ফোটো উরগা হৌজিকসু থাগী লৈমায়দা লেন্দরনা তেক্তা কাইদনা লৈরি হায়বা খঙবা ঙল্লে। আই এস আর ওগী টেলিমেট্রি, ট্রেকিং এন্দ কমান্দ নেটৱার্কনা লেন্দরগা পাউ ফাওননবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা হোৎনরি। চন্দ্রয়ান ২ মিসননা ওর্বিটর, বিক্রম লেন্দর অমসুং প্রগ্যান রোভর য়াওখিবনি। বিক্রম লেন্দরনা থাগী লৈমায়দা লেন্দিং তৌরবা মতুংদা মরু ওইবা ইনফোর্মেসন কয়া খঙবা ঙম্লগনি হায়না চন্দ্রয়ান ২ মিসনদা শরুক য়াখিবা সাইন্টিষ্টশিংনা থাজনখি।

লেন্দরগা পাউ ফাওনখিদবগী থৌওংনা আই এস আর ওগী ওফিসলশিং নীংবা কাইহনখিবা তারবসু চন্দ্রয়ান ২ মিসন মখা তানা চথ্নদুনা থা লৈবাক্কী মরমদা থিজিনখিগদৌরি।

আই এস আর ওগী অতোপ্পা ওফিসল অমনা হায়খি, মতম খরা পাউ ফাওনবা ঙম্লদ্রবসু বিক্রম লেন্দরগা অমুক হন্না পাউ ফাওনবা ঙম্লকপা য়াই। মমাঙদা আই এস আর ওনা থাগৎখিবা স্পেস ক্রাফ অমা মতম শাংনা পাউ ফাওনখিদ্রবা মতুংদা অমুক হন্না পাউ ফাওনবা ঙমখি হায়বা ৱাফম ওফিসল অদুনা নৌহৌনা ফোঙদোকখি।

চন্দ্রয়ান২ মিসনগীমতাংদাওফিল অদুনা হায়খি, করিগুম্বা লেন্দরনা থাগী লৈমায়দা তাদ্রিঙৈদা অশোইবা পুম্নমক খঙলম্বা তারবদি মাংজৌননা অশোইবশিং শেমদোক্লম্বা য়াবনি। হৌজিক্তি থাগী লৈমায়দা লেঙদনা লৈখ্রবা লেন্দরগা অমুক হন্না পাউ ফাওননবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মরুম শোইদনা মায়োক্লরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলনা কাশ্মির অমসুং অসামগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে





ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী): কাশ্মিরদা মখল কয়াগী অথিংবা থম্লকপা চয়োল ৬ রোম শুরকপগা লোয়ননা হিরম অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী ৪২ শুবা মীফমদা ৱা ঙাংখিবদা য়ু এন হায় কম্মিস্নার ফোর হ্যুমেন রাইটস মিচেল বেচলেটনা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হন্দক্তা কাশ্মিরী মীয়ামগী রাইট মপুং ফানা ফঙহনখিদবগা লোয়ননা মী পুনবা য়াহনখিদবা অমসুং ইন্টর্নেট কম্ম্যুনিকেসনদা অথিংবা থমখিবগী থৌওং অদু নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি।

ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তাননা হ্যুমেন রাইটস ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক কাশ্মিরগী মফম কয়াদা থম্লিবা অথিংবশিং লৌথোকপা মথৌ তাই। করিগুম্বা মরম অমা নত্রগা অমদগী ফাজিন্দুনা থম্লিবা মীওইশিংগী রাইটস ইকায় খুম্নবা তঙাইফদে হায়নসু য়ু এন হায় কম্মিস্নারনা ফোঙদোকখি।

মমাঙ থাদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবগা লোয়ননা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্না খাইদোকখিবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগা মরী লৈনবা থৌরাং অমা লৌখৎলমদাইদা কাশ্মিরী মীয়ামগী মত হান্না লৌগদবনি।

মশিংয়াম্লবাসিক্যুরিটিপার্সনলশিং থাজিল্লগা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মকোক থোংবা পোলিটিকেল লিদরশিং ফাজিন্দুনা থম্লগা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবনা মরম ওইরগা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মীয়ামগী ইহৌ লাকখিবনি। মফম খরদা হৌজিক অথিংবা লৌথোকখ্রবসু মীয়ামগী খোইশাওনবা মপুং ফানা কোকহনবা ঙমদ্রি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী থৌওং অদুবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়াওনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়ানা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়খি, লাইন ওফ কন্ট্রোলগী নাকল অনীমক্তা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবগী রিপোর্ট লেপ্তুনা ফঙলি। ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তাননা মীচম মীয়ামগী রাইট ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা অথিংবা পুম্নমক লৌথোক্কদবনি হায়নসু য়ু এন হায় কম্মিস্নারনা ফোঙদোকখি।

অসামগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মকোক থোংবা ওফিসল অদুনা হায়খি, অয়াবা য়াওদনা চঙলকখিবা মীতোপ পুম্নমক খন্দাক্লবগী পান্দমদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) চৎনহনখিবা তারবসু ওগষ্ট ৩১দা ফোঙখিবা এন আর সিগী ফাইনেল লিষ্টতা মীওই লাখ ১৯ রোমগী মিং য়াওরকখিদবনা মরম ওইরগা মীয়ামদা লাংতক্লবা ফাওহল্লে। লিষ্টতা য়াওরকখিদ্রবা মীওইশিং অপিল তৌনবগী খুদোংচাবা ফঙহনবগা লোয়ননা খুদক্তা তাম্থোক্লোইদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# প্রসিদেন্ট কোবিন্দ লৈবাক ৩গী খোঙচৎতা খোঙশানখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী): আইস্লেন্দ, স্বিটজর্লেন্দ অমসুং স্লোভেনিয়াগী খোঙচৎতা ঙরাং নুমিদাং প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ ন্যু দিল্লি থাদোকখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী স্পোক্স পার্সন রবিস কুমারন ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়, তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগা অচেৎপা মরী থম্ননবগী পান্দমদা প্রসিদেন্টনা লৈবাক অহুমগী খোঙচৎতা খোঙশানখিবনি। সেপ্টেম্বর ৯দগী ১১ ফাওবা প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা আইস্লেন্দদা লৈদুনা লৈবাক অদুগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নগনি। তুংদা মহাক্না স্বিটজর্লেন্দদা থুংলবা মতুংদা অরোইবা ওইনা সেপ্টম্বর ১৫দা স্লোভেনিয়াদা থুংলুগনি। সেপ্টেম্বর ১৭তা মহাক ইন্দিয়াদা অমুক হল্লক্কনি।

প্রসিদেন্টনা আইস্লেন্দ চৎপা মতমদা পাকিস্তানগী নোংথক লম্বী লান্না পায়বা য়ারোই হায়না হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ইস্লামবাদনা খঙহল্লকপা লৈখ্রবনি। পাকিস্তানগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী স্পোক্স পার্সন রবিস কুমারনা হায়খি, প্রসিদেন্ট তোংবা প্লেন নোংথক লম্বী লান্না পায়বা য়ারোই হায়না পাকিস্তাননা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদু কন্দম তৌই। লানগী মতমদা ফাওবা লৈবাক্কী লুচিংবা অমনা অখন্নবা ফ্লাইট তোংদুনা চৎপগী মতাংদা লৈবাক খুদিংমক্না অয়াবা পীনরিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# হিমাচল প্রদেসকী সম্বা দিষ্ট্রিক্তা য়ুহা হাবগী থৌদোক থোকখ্রে

সিমলা, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী): হিমাচল প্রদেসকী সম্বা দিষ্ট্রিক্তা ঙসি নুংথিল অহুম্লক হন্না য়ুহা হাবগী থৌদোক থোকখ্রে।

পুং ১গী মনুংদা অহুম্লক য়ুহা হাখিবা তারবসু মী শীবা নত্রগা লন-থুম মাং তাকপা য়াওখিদে হায়না সম্বাগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস মোনিকা ভুতুগুরুনা ফোঙদোকখি।

নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১০ অমসুং পুং ১২.৫৭ তা থোকখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অদুগী ইপিসেন্টর হিমালচ প্রেদেস-জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী লোন্নবা ঙমখৈদা কিলোমিটর ৫ লুথবা লৈনুংদা ওইখি হায়না সিমলা মেটিওরোলোজিকেল সেন্টরগী দিরেক্টর মনমোহন সিংহনা ফোঙদোকখি।

অহানবদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১০ তাবদা থোকখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অদু রিক্টর স্কেলদা ৫ য়ৌনা কনখি। নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪০ তাবদা থোকখিবা থৌদোক অদুনা রিক্টর স্কেলদা ৩.২গী চাংদা কনখি। অহুম্লক শুবা ওইনা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৫০ তাবা মতমদা থোকখিবা থৌদোক অদু রিক্টর স্কেলদা ২.৭কী চাং য়ৌখি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৫.৩০ তাবদসু ৩.৪গী চাংদা কনবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অমা সম্বা দিষ্ট্রিক্তা থোকখিবনি। সম্বা য়াওনা ষ্টেটঅসিগী মফম অয়াম্বা য়ুহা হাগনবা মফমনি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী খা থংবা শরুক্তা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথ্নরকপা য়াই হায়বা ইন্টলিজেন্স রিপোর্ট ফংখ্রে

সিমলা, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী): খা থংবা ইন্দিয়াগী মফম খরাদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথ্নরকপা য়াই হায়বগী রিপোর্ট ফঙবা ঙল্লে হায়না সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

গুজরাটকী হিথাংফমশিংদা পাকিস্তানি কম্মান্দোশিং লোন্না চঙলকপায়াইহায়না চেকশিনৱারোল পীরকখ্রবা মতুংদা ইন্টলিজেন্সকী রিপোর্ট অসি ফঙবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়ান আর্মিগী সাউর্থন কম্মান্দ লুচিংলিবা জেনরেল ওফিসার কম্মান্দিং (জি ও সি) এস কে সাইনিনা হায়খি, খা থংবা ইন্দিয়াগী মফম খরদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথ্নরকপা য়াই হায়বগী চপ চাবা রিপোর্ট ফংলে।

টেররিষ্টশিংনা তোংলকপনি হায়না চিংনবা হি অমা গুজরাটকী সমুদ্রা মপানদা হুন্দোক্লম্বা থেংনখি। ফিভম অসিনা মরম ওইরগা গুজরাটকী সার ক্রিক রিজনদা আর্মিনা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। দিষ্ট্রিক্ট পুলিস খুদিংমক্তা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা বস ষ্টেন, রেলৱে ষ্টেসন, এয়রপোর্ট অমদি সোপ্পিং মোল খুদিংমক্তসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎহনখ্রে হায়রি।

লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা হিথাংফম ওইরিবা অদানি পোর্ট এন্দ লোজিষ্টিক্সনা মমাঙ থাদা হায়খিবনি মদুদি পাকিস্তানগী কম্মান্দো কয়া ঈশিং লম্বী রোমদা চংলক্তুনা গুজরাটতা থুংলবা য়াই হায়বগী রিপোর্ট ফংলে। পাকিস্তাননা শৌগৎপা জাইস-ঈ-মহমদনচিংবা টেররিষ্ট গ্রুপশিংনা ঈশিং লম্বীদা এটেক চথনবগী ট্রেনিং মতিক চানা তৌখ্রে হায়না ইন্দিয়ন নেভিগী মকোক এদমিরেল করম্বীর সিংহনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ꯍꯟꯕꯗꯨ/CORRECTION OF DATE OF BIRTH

My actual Date of Birth is 01-02-1963. It is wrongly published in the MGEL as 02-01-1963. It must be corrected as 01-02-1963 instead of 02-01-1963 in the earliest list.

Sd/- Dr. W. Radzirani
Associate Professor
Modern College, Imphal East

HL-P/3679/10

OFFER OFFER OFFER OFFER

য়ুম শানবা য়োৎ, সিমেন্ট অমদি চেক অপাম্বা ব্রান্দদা হোংনা ফংবীগনি।
# 16.mm গী য়োৎ kg অমদা ₹46/- তগী হৌরগা ₹50/- ফাওবদা ফংবীগনি।
# 12.mm গী য়োৎ kg অমদা ₹46.60/- দগী হৌরগা ₹51/- ফাওবদা ফংবীগনি।
# 10.mm গী য়োৎ kg অমদা ₹47.20/- দগী হৌরগা ₹51.85/- ফাওবদা ফংবীগনি।
# 8.mm গী য়োৎ kg অমদা ₹48.20/- দগী হৌরগা ₹52.85/- ফাওবদা ফংবীগনি।
# 6.mm গী য়োৎ kg অমদা ₹47.60/- দগী হৌরগা ₹52.25/- ফাওবদা ফংবীগনি।
# Offer অসি নুমিৎ তরেৎনি (7days) খক্তগীনি।

Please Contact : "YES" Office, Uripok Laikhutlembi Maning Leikai
Over Bridge Makhong

HL-P/3446/21 # 6009144123/9612130857

"FREE HOME DELIVERY"

ꯈꯣꯡꯍꯥꯡ/ অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্বা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাউবা অনী পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্বা, নাম্বা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা খূৎনা ইনশিনবা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিল্লগা খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু মপান্দা লোইনা তারকউ য়াদবা, খূৎনা থিনজিল্লগা কোৎলগা লৌথোকপা, খূৎনা থিনজিল্লগা কোৎথোক্লগা লৌথোকপদা অমাংথোঙ মনুংদা শোকপা, মরক মরক্তা খোঙ হাম্বসু য়ারক্তবসু য়াওবা, খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা মতমদা পুক কংখৎলগা হকচাং নুংঙাইতবা অমদি চাবা থকপসু য়ারক্তবা, হকচাং চিকপা-নাবসু হেল্লকপা, খোঙ হামদোকখ্রগা ফবা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাউবা অনী পোমথোক্লগা লৈবা অমদি করিমত্তা তৌদবা, মপান্দা চিক্লি চিক্লি তৌবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু ফুরি মচা-মচা শৌরগা অমাংথোঙগী অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা য়াম্না হাকৎচবা, অমাংথোঙ মনুংদগী তীলকুপ থোক্লকপা, খোঙ হাম্বা মতমদসু মনাং য়াম্না য়াওরকপা, কল্লাক মরী নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wednesday & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/3752/10 *থাগৎচরিবা :* **K. Ibochou Meitei,** Tera

ꯍꯟꯕꯗꯨ/CORRECTION OF DATE OF BIRTH

My actual Date of Birth is 31-12-1965. It is wrongly published in the MGEL as 12-03-1965. It must be corrected as 31-12-1965 instead of 12-03-1965 in the earliest list.

Sd/- Dr. H. Lilabati Devi
Associate Professor
Modern College, Imphal East

HL-P/3680/10

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mut. Case No. 1144/SDC/NBL of 2019**

Oinam Tombung Singh S/o (L) O. Ibomcha Singh of Lourembam Mamang Leikai. *-Petitioner*

-Vrs-

(L) Thokchom Tomcha Singh S/o (L) Bira Singh of Thiyam *...O.P.*

**ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ / NOTICE**

Dt. 09/09/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 11 - Lourembam Patta No. 106 (New), Dag No. 212 Area 0.38 acre of Phourel Class and Dag No. 412 area 0.30 acre of Phourel Class হায়রিবা লৌফমশিং অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা লৌফমশিং অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফমশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/4191/10 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector,** Nambol

HL-P/4190/10

**IN THE FAMILY COURT MANIPUR AT LAMPHEL**

**Mat (Declaration) Suit No. 38 of 2019**

Km. Thounaojam Jessika Devi, aged about 30 years, D/o (Late) Shri Th. Joy Singh, a resident of Keishamthong Maning Irom Pukhri Mapal, P.O & P.S. Imphal, District - Imphal West, Manipur. -Plaintiff.

-Versus-

Smt. Thounaojam Monika Devi, aged about 38 years, D/o (Late) Shri Th. Joy Singh and W/o Shri Sumeet Kharna a resident of Indoor, Madhya Pradesh, at present staying at Keishamthong Maning Irom Pukhri Mapal. P.O & P.S. Imphal, District - Imphal West, Manipur and 4 Ors. - Defendants.

**SUBSTITUTED SERVICE UNDER ORDER V, RULE 20 OF C.P.C.**

Whereas, the above mentioned Plaintiff has filed a case U/s 34 of Specific Relief Act, 1963, praying for passing orders declaring that she is the only fit, proper, unmarried and unemployed daughter of the deceased (Late) Shri Th. Joy Singh of Keishamthong Irom Pukhri Mapal P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District Manipur.

It is hereby informed to all the interested persons to appear before the Court on the **18th September, 2019, at 10.30 am** personally or through a duly authorized Counsel and further directed to file your written statement or objection on the said day (Copy of the plaint enclosed).

Take notice that in default of your appearance on the mentioned date and time, the case will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the Order of this Court on the 30th August, 2019.

**By : G. Chhital**
Advocate

**Sd/- Sr. Sheristadar**
Family Court, Manipur at Lamphel

ꯍꯟꯕꯗꯨ/ অমাংথোঙ ময়াদা মখুল অনী হুৎলগা নাই চারকপা, মখুল হুৎলগা নাই চারকপা মফম অদু নাই ওমখৎলকপদা য়াম্না চিকপা-নাবা, নাই অদু ওমখৎপা লোইরবা মতুংদা মেৎথোকখ্রবসু চোৎ-চোৎ লাওরগা অদুম লৈবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা ফহনবগীদমক ওজা অজাদ ফুসমবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা ফিষ্টুলানা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা মখুল অনী হুৎলগা নাই চারকপা, মখুল হুৎলগা নাই চারকপা মফম অদু নাই ওমখৎলকপদা য়াম্না চিকপা-নাবা, নাই অদু ওমখৎপা লোইরবা মতুংদা মেৎথোকখ্রবসু চোৎ-চোৎ লাওরগা অদুম লৈবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, চারগনা নাই অমুক্না ওমখৎলক্লগা য়াম্না চিকপা-নাবা হেনবা, অমাংথোঙ ময়াদা খূৎনাওবীমুক চাউবা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বদা শৌজ তারকপা, নাম্বা শৌজ অদু মশানা অমুক হনগৎখিবা, অতেক অনৌ চাবা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, অমুকসু খোঙ হাম্বা নুমিৎ নীনি/হুমনি য়ারক্তবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎপা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী শোনবা, চানীং-থক্লিংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, খ্বাং নাবা, য়াংলেন শরুদা চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)

HL-P/4178/10 *থাগৎচরিবা :* **Ph. Nabakeshor,** Malom

ꯍꯟꯕꯗꯨ/ খৌনাও নাকল অনীমক পোমথোক্লগা চাবা-থকপা য়াদবা, শ্বর হোনবা ঙমদবা, হকচাং চোকথবা, তিন শিৎতোকপদা ঈ য়াওরকপা ফহনবগী ওজা MV. Kayamuddin বু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা তোন্সিলনা য়াম্না কন্না নাদুনা খৌনাও নাকল অনীমক পোমথোক্লগা চাবা-থকপা য়াদবা, শ্বর হোনবা ঙমদবা, হকচাং চোকথবা, তিন শিৎতোকপদা ঈ য়াওরকপা, খৌনাও মনুংদা চাথৎপা, খৌনাও মনুংদা পোম্বা, চাবা থকপদা য়াম্না নাবা, খৌনাও মরেং-মরেং চৎপা, চাবা থকপদা য়াম্না থুপ্পা, হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, লোক খুবদা থবাক নাবা, নাকল অনীমক নাই চারগা মচুম তোয়না তারকপা, খৌনাওগী মপান্দা য়াম্না হাকৎচবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা তৌরম্বা অদু **MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8413870027, 8837496469** দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Kayamuddin Phundreimayum বু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু, মহাকপু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.
3. Tiddim Road Old Bazar ICICI Bank Opp. CCpur, 7:00 am to 4:00 pm

*থাগৎচরিবী :* **Chanambam (O) Yaiphabi Chanu,** Lamlai

HL-P/3741/10

